# সাউদি অরাবিয়ানা লুচিংবা কোলিসনগা পিছ টোল্ক চথনবা শেম শারে: য়েমেনগী হৌথি মিলিসিয়া



সানা, মার্চ ১৭ (এজেন্সী):
য়েমেনগী চহী তরেৎ শুরক্লবা সিভিল ৱার লোইশিন্নবগীদমক্তা সাউদি অরাবিয়ানা লুচিংবা কোলিসনগা ৱারী শান্ননবা শেম শারে হায়না য়েমেনগী হৌথি মিলিসিয়ানা ফোঙদোকখ্রে।

মিলিসিয়া অসিনা চলাইবা অল-মাসিরাহ টিভিগী ব্রোদ কাষ্ট অমগী মতুং ইন্না হৌথিশিংনা য়েমেনগী কনফ্লিক্ট অদুদা য়াওদবা ন্যুট্রেল ওইবা লৈবাক অমদা হেক্তা কোলিসন লৈবাকশিংগা ৱারী শান্নবগী ৱাফম মখোয়না য়াই হায়না হৌথিশিংনা ক্লেম তৌরি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা হৌথি মিলিসিয়ানা অতৈ অতোপ্পা ৱাফম ফোঙদোরক্ত্রি। কুমজা ২০১৪ দা হৌথি মিলিসিয়ানা য়েমেনগী সানা য়াওনা অৱাং থংবা প্রোভিন্স পুম্নমক পায়শিনখিবদগী লৈবাক অসিদা সিভিল ৱার থোক্তুনা লাক্লি। হৌথিশিংনা মালেমনা শকখঙবা প্রসিদেন্ট অবট-রাবু মন্সুর হাদিবু মপানদা তান্থোকখিবদগী সাউদি অরাবিয়ানা লুচিংবা কোলিসন্না কুমজা ২০১৫ দা মহাক্কী এদমিনিষ্ট্রেসন কন্ননবগীদমক্তা য়েমেনগী লান অদুদা য়াওশিনখি।

কনফ্লিক্ট অদুনা মরম ওইদুনা য়েমেন অসি হৌজিক ফাওবদা মালেমগী খ্বাইদগী চাওবা হ্যুমেনিটরিয়ান কাটাষ্ট্রোফিশিংগী মনুংদা অমা ওইরি।

চৈরকসিদা য়ুনাইটেদ নেসন্স ইন্টরনেসনেল চিলদ্রেন্স ইম্মজেন্সি (য়ুনিসেফ) না হায়রি, মদুদি সিভিল ৱার থোক্লিবা য়েমেনগী মীওই মিলিয়ন ২১ নত্ত্রগা অপূনবা মীশিংগী চাদ ৭০ রোম থৱায় কন্নবা হ্যুমেনিটরিয়ান তেঙবাং মথৌ তারি। মীওইশিং অদুগী মনুংদা অঙাং মিলিয়ন ১১.৩ নত্ত্রগা লৈবাক অসিগী অঙাং অপূন্নবগী চাদ ৪০ রোম য়াওরি হায়না য়ুএননা ত্বিট অমদা ফোঙদোকখি।

হ্যুমেনিটরিয়ান ওর্গনাইজেসন অসিনা হায়রি, মদুদি লৈবাক অসিগী চহী মঙাগী মখাদা লৈবা অঙাং ৪০০,০০০ রোম চিঞ্জাক মপুং ফানা চাবা ফঙদবগী নত্ত্রগা মচি ওইবা চিঞ্জাক চাবা ফঙদবগী অরুবা ফিভম মায়োক্লরি।

য়ুনিসেফকী মতুং ইন্না য়েমেন অসি হৌজিকসু মালেমগী খ্বাইদগী অরুবা হ্যুমেনিটরিয়ান ক্রাইসিসশিংগী মনুংদা অমা ওইরি। কুমজা ২০১৫ গী মার্চতা সিভিল ৱার হৌরকখিবদগী মীওই লিশিং কয়া শিখ্রে অমদি মীওই মিলিয়ন মরি ময়ুম মকৈ লৈহনখিদ্রে। মসিগা লোয়ননা লৈবাক অসি শাথিবা চাক্তাংবগী ফিভম মায়োক্লরকপা য়ানা লৈরি।

য়ুনিসেফনা মখা তানা হায়, কুমজা ২০২২ দা য়েমেনগী হ্যুমেনিটরিয়ান ক্রাইসিস অসিগী রেস্পোন্সতা শীজিন্ননবা য়ুএস দোল্লর মিলিয়ন ৪৮৪.৪ মথৌ তাই।

# অহানবা ওইনা পাকিস্টান ফাওরগা য়ুজবেকিস্টানদা ইন্দিয়ান কার্গো এক্সপোর্ট তৌখ্রে



ইস্লামাবাদ, মার্চ ১৭ (এজেন্সী):
অহানবা ওইনা পাকিস্টান্না প্রাইভেট ইন্দিয়ান ট্রেদর অমবু য়ুজবেকিস্টানদা কর্মসিয়েল পোৎলমশিং এক্সপোর্ট তৌবা য়াহনখ্রে।

ন্যু দিল্লি, ইস্লামাবাদ, কাবুল অমসুং টাস্কেন্টগী মরক্তা চথনরক্লিবা ট্রেদ এক্তিভিটিগী শরুক অমা ওইনা পাকিস্টান্না ইন্দিয়ান ট্রেদর অদুবু লৈবাক অসি ফাওরগা য়ুজবেকিস্টানদা পোৎ থাবা য়াহনখিবনি।

চিনিনা অয়াম্বা ওইবা ইন্দিয়ান কার্গো টন ১৪০ রোম বোর্দর লাল্লগা পাকিস্টান ফাওরবা মতুংদা টোর্খাম বোর্দর লাল্লগা অফঘানিস্টানদা চঙখি। কার্গো অদু য়ুমশকৈশা নুমিত্তা য়ুজবেকিস্টানগী কেপিটেল টাস্কেন্ট তন্না থাখিবনি।

অফঘানিস্টানগী মিনিস্ট্রি ওফ ইন্দষ্ট্রি এন্দ কর্মসকী স্পোক্স পার্সন মৌলানা জাহিরনা হায়খি, মদুদি ইন্দিয়াগী পোত্থোকশিং পুথোক পুশিন তৌবদা খুদোংচাহন্নবগী অখন্নবা থৌরম অমা কাবুলদা শিল লাংখি। সিপমেন্ট অদু মমাঙগী নুমিত্তা পাকিস্টানদগী টোর্খাম বোর্দর ক্রোসিং ফাওরগা কাবুলদা থুংখি।

মিনিস্ট্রি অসিনা ইন্দিয়াগী পোৎলমশিং অদুগী ট্রান্জিট খুদোংচানবা থৌরম অমা শিল লাংখি। মসি অফঘানিস্টানবু সেন্ট্রেল অমসুং সাউথ এসিয়াগী মরক্তা মরু ওইবা ট্রেদ লিঙ্ক অমা ওইহন্নবগী মায়কৈদা থাংলকপা মরু ওইবা খোঙথাং অমনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি। কার্গো অদু মুম্বাইদগী লাকখিবনি অমসুং মদু থা অসিগী অঙনবা শরুক্তা কারাচি সিপোর্ট ফাওরকখি। সিপোর্ট অদুদা মদুবু য়ুজবেক ইম্পোর্টর অদুনা ওকখি। মদুগী মতুংদা কার্গো অদু কারাচিদগী থারকখিবা ট্রকশিংদা হাপচিনখি অমসুং টোর্খাম বোর্দর ফাওরগা অফঘানিস্টানদা চঙহনখি। অফঘানিস্টানদগী মদু য়ুজবেকিস্টান য়ৌগদবনি।

পাকিস্টানি ওফিসিএল অমনা ফোঙদোকখিবদা মসি হন্দক্তা পাকিস্টান অমসু য়ুজবেকিস্টানগী মরক্তা খুৎয়েক পীনখিবা বাইলেটেরেল ট্রান্জিট ট্রেদ এগ্রিমেন্টগী মখাদা চত্থখিবনি। এগ্রিমেন্ট অদু হন্দক্তা য়ুজবেক প্রসিদেন্ট সভকাট মির্জোয়োয়েপকী খোঙচৎ মনুংদা পীনখিবনি।

# য়ুএসনা য়ুক্রেনগী অহেনবা তেঙবাং লাউথোকখ্রে



ৱাশিংতন, মার্চ ১৭ (এজেন্সী):
য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা য়ুক্রেনগী অহেনবা সেক্যুরিটিগী তেঙবাং দোল্লর মিলিয়ন ৮০০ লাউথোকখিবগা লোয়ননা হৌখিবা চয়োল অসিদা অমেরিকানা য়ুক্রেনদা থাজবা পীখিবা অপূনবা তেঙবাংগী শেনফম অসি দোল্লর বিলিয়ন অমা য়ৌরে হায়না হ্বাইট হাউসনা ষ্টেটমেন্ট অমদা ফোঙদোরক্লি।

য়ুমশকৈশা নুমিত্তা ইস্যু তৌবা ষ্টেটমেন্ট অদুগী মতুং ইন্না জো বাইদেন এদমিনিষ্ট্রেসনগী থবক হৌখিবদগী অহেনবা ফন্দিং অদুনা য়ুক্রেনদা য়ুএসনা পীবা অপূনবা তেঙবাংগী শেনফম অসি দোল্লর বিলিয়ন অনী য়ৌহল্লে।

নৌনা লাউথোক্লিবা দোল্লর মিলিয়ন ৮০০ কী পেকেজ অদুদা ষ্টিঙ্গর এন্টি-এয়রক্রাফট সিষ্টেম ৮০০, জেভেলিন ২০০০, লাইট এন্টি-অর্মর ৱেপন ১০০০, এটি-৪ এন্টি-অর্মর সিষ্টেম ৬০০০, টেক্টিকেল অনমেন এরিয়েল সিষ্টেম ১০০, গ্রেনেদ লোঞ্চর ১০০, রাইফল ৫০০০, পিষ্টোল ১০০০, মেছিন গন ৪০০, সোটগন ৪০০, স্মোল আর্ম এম্যুনেসন রাউন্দ মিলিয়ন ২০,০০০, বোদি আর্মর সেট ২৫,০০০ অমসুং হেলমেট ২৫,০০০ সু য়াওরি।

ষ্টেটমেন্ট অদুনা মখা তানা হায়খি, মদুদি য়ুএসনা মীচমশিংবু য়ুক্রেনদা অহেনবা মতেং পীবগী থবক থুজি লহন্ননবা মখা তানা হোৎনখিগনি। ফেব্রুৱারী ২৪ দা রসিয়ানা লান্দাবা হৌখিবদগী য়ামদ্রবদা লৈবাক ৩০ না য়ুক্রেনদা সেক্যুরিটিগী মতেং পাঙখ্রে। কুমজা ২০২২ দা দিপার্টমেন্ট ওফ ষ্টেটনা লৈবাক ১৪ হেনবদগী দিফেন্সিব ইক্বিপমেন্ট ট্রান্সফর তৌবগী অয়াবা পীখি।

মীচমশিং অমসুং পার্টনরশিংনা য়ুক্রেনবু শৌগৎনবা হেল্লকপগা লোয়ননা লৈবাকশিংগী মশিংসু হেনগৎলক্লি।

খ্বাইদগী নৌনা তেঙবাং অদুগী মতাংদা প্রসিদেন্ট বাইদেননা হায়খি, মদুদি রসিয়াগী প্রসিদেন্ট ভ্লাদিমির পুটিননা এপার্টমেন্ট বিল্ডিংশিং, মেটর্নিটি ৱার্দশিং অমসুং হোস্পিটালশিং বোম্বিং তৌদুনা য়ুক্রেনদা কিনিংঙাই ওইরবা মওংদা মীশি মীনা অমদি অমাঙ অতাশিং থোকহল্লিবসি য়েংলগা পীরিবা মতেংগা মরী লৈনবা পেকেজ অসিমক মমাঙদা য়ুক্রেনদা অমুক্তা পীখিদ্রিবা মতেংনি।

লান অসি মতম শাংনা চঙগদবা অমদি থেংনবদা ৱাবা অমা ওইরগনি হায়না পল্লদুনা বাইদেননা হায়খি, মদুদি পুটিননা মোরেল য়াওদবা অমসুং চৎনবীগী ৱাংমদা মীচম মীয়ামদা শাথিরবা এটেক্টশিং চত্থরিবা অসি য়েংদুনা অমেরিকাগী মীয়াম্না য়ুক্রেনগী মীয়াম্বু থম্মোয় শেংনা মতেং পাঙখিগনি।

য়ুক্রেনদা লৈরিবা মীয়াম্বু শৌগৎতুনা ঐখোয়না মখা তানা হ্যুমেনিটরিয়ান রিলিফ পীখিগনি। রিলিফ অসি য়ুক্রেন থাদোক্তুনা চেল্লিবা লৈবাক অসিগী অতৈ মীওইশিংদসু ফঙহনগনি। হকথেংননা শেলগী মতেং পীদুনা য়ুক্রেনগী ইকনোমি সপোর্ট তৌগনি হায়নসু বাইদেননা থাজবা পীখি।

# য়ুক্রেনদা লান্দাবা লেপ্পবা রসিয়াদা য়ুএন কোর্টনা ওর্দর তৌখ্রে



হেগ, মার্চ ১৭ (এজেন্সী):
ইন্টরনেসনেল কোর্ট ওফ জষ্টিস (আইসিজে) না রসিয়াদা য়ুক্রেননা চত্থরিবা মিলিটরি এক্সন খুদক্তা লেপ্পবা ওর্দর তৌখ্রে।

মোস্কোনা ফোর্স শীজিন্নরিবদু য়াম্না নুংনাংনিংঙাই ওই হায়রদুনা য়ুএন কোর্ট অসিনা রসিয়াদা লান লেপ্পবা ওর্দর তৌখিবনি।

য়ুনাইটেদ নেসন্সকী খ্বাইদগী ৱাংবা কোর্ট অসিনা লৌখিবা ৱারেপ অমনা হায়খি, মদুদি রসিয়ন ফেদরেসন্না চহী অসিগী ফেব্রুৱারী ২৪ দা য়ুক্রেনদা চত্থবা হৌখিবা মিলিটরি ওপরেসনশিং খুদক্তা লেপকদবনি। ৱারেপ অদু কোর্ট অসিগী জজ ১৩ না শৌগৎখি অমসুং জজ অনীনা মদুগী মায়োক্তা লৈখি।

জজশিং অদুনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা রসিয়ানা লৈবাক অসিনা কন্ট্রোল তৌবা নত্ত্রগা মোস্কোনা শৌগৎপা অতৈ ফোর্সশিংসু য়ুক্রেনদা মখা তানা মিলিটরি ওপরেসন চত্থরোইদবনি। কোর্ট অসিগী রুল্লিংশিং মালেমগী লৈবাকশিংনা ইনফম থোক্লবসু মখোয়বু নমদুনা চৎনহন্নবগী হকথেংনবা পাৱ্ৱেদি লৈতে। মমাঙদা লৈবাক কয়ানা কোর্ট অসিগী রুল্লিংশিং থৌশাখিদবগী কেসশিং লৈখ্রে। কোর্টকী ওর্দরশিং ইল্লু য়াদবা লৈবাকশিং য়ুএন সেক্যুরিটি কাউন্সিলদা রিফর তৌবা য়াই।

কাউন্সিলদা রসিয়াসু ভেটো পৱার পায়রিবনি। য়ুএন কোর্ট অসিগী ওর্দরশিং চপ চানা ইল্লক্কনি হায়বগী থাজবা লৈত্রবসু য়ুক্রেনগী প্রসিদেন্ট বোলোদিমির জেলেন্সকিনা ৱারেপ অদুবু মরু ওইবা মায় পাকপনি হায়না শিংথাখি।

ট্যুটরদা ইরদুনা মহাক্না হায়খি, য়ুক্রেন্না ইন্টরনেসনেল কোর্ট ওফ জষ্টিসতা রসিয়াগী মায়োক্তা থাঙ্গৎখিবা কেস মপুং ফানা মায় পাক্লে। য়ুক্রেনদা লান্দাবা খুদক্তা লেপ্পনবা আইসিজেনা ওর্দর তৌখ্রে।

ওর্দর অসি ইন্টরনেসনেল লোগী মখাদা ইনফম থোকই। ওর্দর অসিবু ইন্দবা তারবদি রসিয়াবু মালেম্না মখা তানা ইন্থোক্কনি। ফেব্রুৱারী ২৪ দা রসিয়ানা লান্দাবা হৌখিবা মতুং শাংনা কান্নদনা য়ুক্রেন্না য়ুএন কোর্টতা কেস ফাইল তৌখিবনি।

ইষ্টর্ন য়ুক্রেনদা জেনোসাইদ অমা চত্থরকপা থিংনননবগীদমক্তা অখন্নবা মিলিটরি ওপরেসন অমা চত্থবনি হায়বা রসিয়াগী পাউখুম মরম চাদে হায়না য়ুক্রেন্না আইসিজেদা থাঙ্গৎপা ৱাকৎ অদুদা পনখি।

হিয়ারিংদা য়ুক্রেননা হায়খি, মদুদি ইষ্টর্ন য়ুক্রেনদা জেনোসাইদ চত্থরকপা য়াবগী অকিবা অমত্তা লৈতে। লৈবাক অনীমক্না খুৎয়েক পীখ্রবা য়ুনাইটেদ নেসন্সকী কুমজা ১৯৪৮ গী জেনোসাইদ কনভেন্সন্না জেনোসাইদ থিংনবগীদমক্তা লৈবাক অমনা অতোপ্পা লৈবাক অমদা লান্দাবা য়াহন্দে হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

# ওআইসি মিটতা চাইনিজ ফোরেন মিনিষ্টরনা স্পিসিএল গেষ্ট ওইরগনি



ইস্লামাবাদ, মার্চ ১৭ (এজেন্সী):
পাকিস্টান্না থৌবু ওইদুনা ইস্লামাবাদতা পাঙথোক্কদৌরিবা ওর্গনাইজেসন ওফ ইস্লামিক কো ওপরেসন (ওআইসি) গী ফোরেন মিনিষ্টরশিংগী ওইবা কনফরেন্সতা শরুক য়ানন্নবা পাকিস্টান্না চাইনাগী ফোরেন মিনিষ্টর ৱাং য়ি ইনভাইট তৌখ্রে।

নন-ওআইসি লৈবাক অমগী টোপ দিপ্লোমেট অমবু মীফম অসিদা শরুক য়ানবা ইনভাইট তৌবসি পাকিস্টান্না লৌখৎলকপা তাঙনা থোকপা খোঙথাং অমনি হায়রি।

ৱাংনা স্পিসিএল গেষ্ট অমা ওইনা মার্চ ২২ অমসুং ২৩ দা পাঙথোক্কদবা কনফরেন্সতা ৱা ঙাঙগনি। মেম্বর লৈবাক ৫৭ লৈবা ওআইসিগী ফোরেন মিনিষ্টর ৪৮ না মীফম অদুদা শরুক য়াগনি হায়না কনফার্ম তৌখ্রে। মসি থা অহুমগী মনুংদা পাকিস্টাননা থৌবু ওইদুনা পাঙথোক্কদবা ওআইসিগী অনীশুবা মীফমনি। কুমজা ২০২১ গী দিসেম্বরদা পাকিস্টাননা থৌবু ওইদুনা অফঘানিস্টানগী মতাংদা ওআইসিগী এক্সট্রাওর্দিনরি সেসন অমা পাঙথোকখি।

ওআইসিগী কনফরেন্স অদুদা শরুক য়াবদা নত্তনা ৱাংনা পাকিস্টান ডে পেরেদতসু শরুক য়ারদুনা হন্দক্তা পাকিস্টান এয়র ফোর্স (পিএএফ) তা ইন্দক্ত তৌখিবা চাইনিজ ফাইটর জেট জে-১০সি সু য়েংগনি। এক্সপ্রেস ট্রিব্যুনগী রিপোর্ট মতুং ইন্না পাকিস্টান অসি চাইনাদগী জে-১০ সি ফাইটর জেটশিং লৈবা অহানবা লৈবাকনি।

চাইনিজ মিনিষ্টর অসিনা পাকিস্টানগী সিভিল অমসুং মিলিটরি লুচিংবশিংগসু উন্নদুনা বাই লেটরেল মরীশিং রিভিয়ু তৌগনি অমসুং রিজনেল অমদি ইন্টরনেসনেল ইস্যুশিংসু খন্নগনি।

# ক্বেটাগা নক্লনা আইঈদি পোকখায়বদা পাকিস্টানগী পেরামিলিটরি পার্সনেল মরি শিরে



বৈজিং, মার্চ ১৭ (এজেন্সী):
লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ক্বেটাগী সিবি দিষ্ট্রিক্টকী সঙ্গন এরিয়াদা পাকিস্টান ফ্রন্টিয়র কোর্ট (এফসি) গী কনভোই অমদা বোম পোকখায়খিবদা য়ামদ্রবদা এপসিগী পার্সনেল মরি শিখ্রে অমসুং অতৈ পার্সনেল তরা অশোক অপন নঙখ্রে হায়না ওফিসিএলশিংগী ৱারোল পল্লদুনা দোনগী রিপোর্ট অমনা হায়রি।

সিবিগী এসিষ্টেন্ট কম্মিস্নার সানা মহাজাবিননা ফোঙদোরকখিবদা ব্লাষ্ট অদু ইম্প্রোভাইস এক্সপ্লোসিব দিভাইস (আইইদি) অমনা থোকহনখিবনি। অশোকপা মীওই তরা অদুগী মনুংদা তরুক্কী ফিভম লুনা লৈরি অমসুং মখোয় সিবিগী কম্বাইন্দ মিলিটরি হোস্পিটালদা ট্রিটমেন্ট চত্থরি।

চৈরকসিদা বালুচিষ্টানগী চীফ মিনিষ্টরগী হোমগা মরী লৈনবা এদভাইজর মির্জিয়া লোঙ্গোবেনা থৌদোক অদুবু কন্দেম তৌখ্রে অমসুং অশোকপা এফসি পার্সনেল অদুদা খ্বাইদগী ফবা মেদিকেল ট্রিটমেন্ট ফঙহন্নবা মরী লৈনবশিংদা খঙহনখ্রে। বোম পোকখায়হন্দুনা মীওই কয়া শিখিবদসু মহাক্না অৱাবা ফোঙদোকখ্রে।

এদভাইজর অসিনা হায়খি, মদুদি টেরোরিষ্টশিংনা অসিগুম্বা পাঙদবগী থবক কয়া চত্থদুনা বালোচিষ্টানদা মরা তপ্পা ফিভম অমা লাকহন্নবা পায়খৎলিবশিং অরেম্বা তাহন্নবা হোৎনরি। বারুচিষ্টান গভর্নমেন্টগী স্পোক্স পার্সন ফারা অজিম সহানসু থৌদোক অদুবু কন্দেম তৌখিবগা লোয়ননা মীওই কয়া শিখিবদা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না হায়খি, মদুদি সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা বালুচিষ্টানদা মরা তপ্পা ফিভম লাকহন্নবা হোৎনরিবশিং য়াম্না শিংথানিংঙাই ওই।

এন্টি-পাকিস্টান ফোর্সশিংনা বালুচিষ্টানদা ইং তপ্পা ফিভম লাকহন্নবা হোৎনরিবা থবক থৌরমশিং ফেল ওইহন্নবা হোৎনরি।

সুইসাইদ বোম্মর অমনা সিবিদা প্রসিদেন্ট অরিফ অলবিগী মোটোরকেদকী লম্বীদা সুইসাইদ বোম্মর অমনা মশাদা য়াওরিবা এক্সপ্লোসিবশিং পোকখায়হন্দুনা চত্থখিবা এটেক্ট অমদা সেক্যুরিটি পার্সনেল তরুক শিখিবগা লোয়ননা লো এনফোসর ১৯ য়াওনা অতৈ মীওই ২২ অশোক অপন নঙখিবা মতুং চয়োল অমরোম কান্নরগা এফসিগী কনভোইদা আইইদি পোকখায়হন্দুনা ইনৌ নৌবা এটেক্ট অসি চত্থরকপনি।

সুইসাইদ বোম্মর অদুনা এটেক্ট অদু প্রসিদেন্ট অলবি অমসুং অতৈ ভিআইপিশিংগী মোটোরকেদ অদুনা গভর্নমেন্ট রেষ্ট হাউস অমা লাল্লিঙৈদা মফম অদুদা চত্থখিবনি। মোটোরকেদ অদু সিবি ষ্টেদিয়মদা পাঙথোকপা চহীগী ওইবা সিবি ফেষ্টিবেল লোইশিনবগী থৌরম য়াওরুরগা হল্লকখিবনি।

# সেন্ট্রেল নাইজেরিয়াদা গনমেনশিংনা মীওই ১০ হাৎখ্রে



লাগোস, মার্চ ১৭ (এজেন্সী):
নাইজেরিয়াগী সেন্ট্রেল ষ্টেট নাইজরদা লৈবা লোকেল গভর্নমেন্টগী হেদক্বার্টর অমসুং পুলিস ষ্টেসন অমদা গনমেনশিংনা চত্থখিবা এটেক্টতা মীওই তরা শিরে হায়না নাইজেরিয়ান পুলিস ওথোরিটিনা ফোঙদোরক্লি।

নাইজরগী পুলিস চীফ বালা কুর্য়াসনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা মিনাদা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবদা গনমেনশিং অদুনা মাগামা পুলিস ষ্টেসনদা চত্থখিবা এটেক্টতা ওফিসার অহুম হাৎখি অমসুং মতুং তাবদা লোকেল গভর্নমেন্ট হেদক্বার্টর্সতা চত্থখিবা এসোল্টতা পুলিস ওফিসার অহুম অমসুং ভিজিলেন্টি মরি হাৎখি। এটেক্টকরশিং অদুগী খোঙ্গুল লীনবগীদমক্তা পুলিস ষ্টেটিকেল স্কৱাদ অমসুং মিলিটরি পার্সনেলশিং এরিয়া অদুদা দিপ্লোই তৌখি।

পুলিস চীফ অসিনা মখা তানা হায়, এরিয়া অদুদা দিপ্লোই তৌরিবা সেক্যুরিটি পার্সনেলশিংবু থাজবা য়াবা পাউ পীদুনা মতেং পাংনবা ঐখোয়না ষ্টেট অদুগী মীয়ামদা আপিল তৌরি। মসিনা ক্রিমিনেলশিং ফাবদা মতেং ওইগনি।

হৌখিবা থা খরা অসিদা নাইজেরিয়াগী অৱাং অমসুং ময়াই থংবা লমদমশিংদা খুৎলায় পায়বশিংনা চত্থখিবা এটেক্টশিংদা মীওই কয়া শিখ্রবনি। মখোয়না মীওই কয়াসু কিদনেপ তৌখি।

ট্রাম্পৎসেপ্তং/খোঙ হান্বদা কোঙ্গোল অমদি মনাং য়াম্না য়াওরকপা, পূক য়েক্লি-য়েক্লি তৌরগা খোঙ হাম্নিংলগতা লৈবা, খোঙ য়াম্না তোয়না হান্বা, অমুক্তদা শেংনা হামদোকপা য়াদবা, মচিৎ-মচিৎ হান্বা, অমাংথোঙ ময়াদা পোমথোরকপা, মরক-মরক্তা খোঙ হান্বদা ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।



ঐগী হকচাংদা নুংশংনা য়াম্না কন্না নাদুনা খোঙ য়াম্না তোয়না হান্বা করিগুম্বা অমা চাশিনবা মতমদা খোঙ হেক্তা হাম্নিংদবা অমুক্তা শেংনা হামদোকপা য়াদবা, মচিৎ-মচিৎ হান্বা, খোঙ হান্বদা কোঙ্গোল য়াম্না য়াওরকপা, খোঙ হান্বদা কোঙ্গোল অমদি মনাঙ য়াম্না য়াওরকপা তারগদি হকচাং চোকথা-ৱাম্থবা, পূক য়েক্লি-য়েক্লি তৌরগা খোঙ হাম্নিংলগতা লৈবা, ওইগী পূকচেপ নাবা, ওইগী পূকচেপ চক-চক থিল্লকপা, অমাংথোঙ মপান অকোয়বদু মরেং-মরেং চৎলগা হাক্তৎচবা, হাক্তৎচবা অদু খোৎলুরগনা অমাংথোঙ মপান অকোয়বদু চাওথোকপা খোৎপা অদুদা অমাংথোঙ মপান অকোয়বদু চৎপা, ওইগী অমাংথোঙ ময়াদা পোমথোরকপা, মরক-মরক্তা খোঙ হান্বা মতমদা ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, ঈ তাখিবা অদু অমুক ফখিবা, শা-ঙা চাবা তারগদি ঈ তাবা অদু অমুক হৌরকপা, পূক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা চাবা থকপা য়াদবা, কময়া অনীমক নাবা, অহিং তুম্বা য়াদবা, ঈশিং চৎপকান্দা শাবা, খ্বাঙ নাবা, ঙকশম মরী নাবা তৌরম্বা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা **Regd. No. 1591/SR/IW/2019, MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 8414825323, 9774274439** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)

থাগৎচরিবা :
**Y. Ibomacha Meitei**
Kwakeithel

HL-B/7498/18

**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**WATER RESOURCES DEPARTMENT, MANIPUR**
**(NATIONAL HYDROLOGY PROJECT)**

**E-Tender Bid Reference No. : NHP-2021-2022-MN-885848**

Reference to the Notice Inviting Tender No. EE/WRD/NHP/1-1/2021-22/134 dated 7th January, 2022 for the bid document No. WRD/NHP/1-75/2021-22 the following online tender is invited by the Water Resources Department, Government of Manipur from eligible bidders under National Competitive Bidding (NCB).

**Details** : Procurement of DGPS for the State Hydrological Data Centre, Manipur. Availability of bidding document from website is **07/01/2022; 10:00 HRS (System Server Time)**. Last date of online submission of bid through electronic mode is **08/04/2022; 15:00 HRS (System Server Time)**. Details of the document can be downloaded and is to be submitted on-line through e-procurement/e-tender portal https://manipurtenders.gov.in (e-Tender reference No.: 2022_WRD_1789_1). It is also available on http://nhp.mowr.gov.in. All correspondence/communication shall be made to the Executive Engineer, Irrigation Investigation Division, Water Resources Department, Lamphel, Imphal-795004, Manipur, India, telephone & Fax No. 03852955821, e-mail ID: nhpmanipur@gmail.com.

*Sd/-* Executive Engineer
IID, Water Resources Department
Government of Manipur
**State Project Management Unit (SPMU), NHP, Manipur.**

HL/B/7546/18

**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**WATER RESOURCES DEPARTMENT**
******

**NOTICE INVITING TENDER**
Imphal, the 04th March, 2022

No. EE/WRD/NPH/1-1/2021-22: The Executive Engineer, Water Resources Department, Manipur on behalf of the governor of Manipur and with the approval from the **Election Commission of India vide Letter No. 437/6/CG/LA-Multi/ECI/LET/FUNCT/MCC/2022 dated 4th February, 2022** and **Government letter No. CSS-SP-803/1/2022-WR-WR dated 26th February, 2022**, invites a tender bid through e-tendering for the bid document No. WRD/NPH/1-69/2021-22.

| Name of the work | Period of Completion | Availability of bidding document from website | Date of online submission of bid through electronic mode | Last date of online submission of bid through electronic mode | Date, time and venue of opening of bid |
|---|---|---|---|---|---|
| **Procurement of Hand Held/ Portable Water Quality Laboratory Equipement.** | 60 days from the date of signing of contract/ Supply Order | 04/03/2022; 10:00 HRS (System Server Time) | 10/03/2022; 11:00 HRS (System Server Time) | 31/03/2022; 15:00 HRS (System Server Time) | 31/03/2022; 16:00 HRS (System Server Time) Office of the Superintending Engineer, IC-I, Water Resources Department, Khuyathong, Imphal-795001, Manipur. |

Details of the document can be downloaded and is to be submitted on-line through e-procurement/e-tender portal https://manipurtenders.gov.in. it is also available on https://nhp.mowr.gov.in. All correspondence/ communication shall be made to the Executive Engineer, Irrigation Division, Water Resources Department, Lamphel, Imphal-795004, Manipur, India, telephone & Fax No. 03852955821, e-mail: nhpmanipur@gmail.com.

*Sd/-* Executive Engineer
IID, Water Resources Department
Government of manipur
**State Project Management Unit (SPMU), NHP, Manipur.**

HL/B/7547/18